# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 22-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৫ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পাঙথোক্লি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং লালহৌবা য়াওনা মীওই ৫ খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে।

অমসুং

৩) য়ু.এ.ইদা চথুরিবা দুবাই এয়ার সোদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী তেজাস ফাইটর জেট অমা কায়বদা মদুগী পাইলোত, ৱিং কম্মান্দর শিরে।

------

শঙাই (এল)ঃ মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৫ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পাঙথোক্লি।

ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ভগ্যাচন্দ্র ওপ ইয়ার থিয়েটরদা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈশিং পাঙথোক্কনি। মসিগী মনুংদা সেনাপতিগী পুরুম অমসুং চুরাচান্দপুরগী আইমোল ফুরুপকী নাৎকী ওইবা জগোই, লৈশেম জগোই, থাং-তা, পুং চোলোম অমদি বসন্ত রাস য়াওরি।

ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদনা পেনা শৈশক চোলোম, ৱারী লীবা অমদি মৈতৈ ঈশৈগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতসু

কাং তুরনামেন্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা অঙাংশিংগী শান্ন-খোৎনবগী ইভেন্ট কয়া পাঙথোক্কনি।

ইম্ফালগী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদসু ঙসি শুমাং লিলা অনি উৎকনি। মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা সেনাপতি জিলাগী মাওদা পাঙথোক্লিবা চেরি ব্লোসম ফেষ্টিভেলগী ওইনা ঙসি ঈশৈ নোংমাই, নাৎগী ওইবা শান্ন-খোৎনবা, ইকো তুরিজম অমদি ইনভাইরোনমেন্টকী মতাংদা ৱার্কসোপনচিংবা পাঙথোক্কনি। লোক্তাক পাৎতসু নাৎকী ওইবা ঙা ফাবগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ ১০ নি পাঙথোক্কদবা কুম্মৈ অসি ঙরাং রাজ্যপাল আজয় কুমারনা ভল্লানা ঙরাং হৌদোকখিবনি।

পোলো ঃ ১৫ শুবা মণিপুর পোলো ইন্তরনেসনেল ঙসিদগী ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা হৌরগনি। মণিপুরগী চীফ সেক্রেতরি পুনিত কুমার গোয়লনা হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইগনি। তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপগী মেটচতা কলম্বিয়া অমসুং য়ু.এস.এ শান্নগনি।

তুরনামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ৫ না শরুক য়াগনি। টিমশিং অদুদি ইন্দিয়া-এ, ইন্দিয়া-বি (মণিপুর টিম), ইন্দিয়া-সি অমদি মপান লৈবাক্কী টিম অনি, কলম্বিয়া অমসুং য়ু.এস.এনি। মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শিনবা তুরনামেন্ট অসি থা অসিগী ২৯ ফাওবা চৎথগনি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাউ ইখায়দা ঙরাং আই.দি.পিশিং মশাগী ময়ুমদা হঞ্জরগে হায়দুনা চংশিল্লকপা খোঙজংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা চাউনা মুকবা থোকখ্রে, আই.দি.পি. খরা শোক্লে হায়রি।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমী আর.কে. মণিপুরসনানা হায়- ঙরাং নুমিদাং পুং ৬ খরা হেল্লকপদা ফৌগাকচাউ ইখায়দা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আহ.দি.পিশিং মখোয়গী হান্নগী য়ুমদা লৈনবা থোমজিল্লকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা চাউনা মুকবা

অদু থোকখিবনি। সরকারনা মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তুনা রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লক্লে হায়বা উৎননবা হোৎনরবনিনা আই.দি.পিশিংসু মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জরগে হায়বা ৱাহো অসিদগী ঙরাংগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

ঙরাংদগী হৌদুনা নুমিৎ ১০ নি চুপা চখ্থগদবা মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপা য়ানিংদে হায়না আই.দি.পিশিং অমদি অতৈ লনাই লুপ কয়ানা ফোংদোকপা লৈখিবতা নত্তনা মফম কয়াদা য়ানিংদবগী খোঙজংশিং লেপ্তুনা চংশিল্লি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ  সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং লালহৌবা য়াওনা মীওই ৫ খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- রাজ্য অসিদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি অতৈ আইন্না য়াদবা থবক থৌরম তৌবা মীওই কয়া লৈরে হায়বগী অককবা পাউ ফংবদগী চখ্খিবা ওপরেসনদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৈশামপাৎ থৌদাভাবোক লৈকাইদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাদর অহুম ফাখি। মখোয়দগী মরু ৬ য়াওবা পোইন্ট থ্রি-টু পিষ্টোল অমা, আর.পি.এফ-পি.এল.এগী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকা মরী লৈনবা চে চাংশিং, মখোয়না তোংলকপা গাড়ি য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লুৱাংশংবমদগীসু প্রিপাক্কী কেদর অমা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইথম অৱাং লৈকাইদগীসু মীওই অমা খুৎলায়গা কোন্ননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎখি। মঙোনদগী মরু ১২ য়াওবা এস.এল.আর অমা, রেদিও ৱায়ারলেস সেট অনি ফংগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, আইন্না য়াদবা মওংদা য়ুঙাং শুংলম্বা মীওই ৭ মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল জিলাগী ফয়েং বজারদগী ফারে। ফারবা মীওইশিং অসি অসাম অমদি জিরিবাম জিলাদগীনি। মখোয়দগী য়ুঙাং মানবা মহি লিতর ২০০, য়ুঙাং শুংবদা শিজিন্নবা মচাক মথুমশিং মেকদোৱেল থাবা নমথোক্লবা ষ্টিকরশিং, আইকোনিক অমদি মেকদোৱেল থাবা কার্তুন বোক্সশিং, তোঙান তোঙানবা

কেমিকেলশিং অমদি পোৎ চৈশিং পুথোক পুশিন তৌবদা শিজিন্নবা গাড়ি অমসু ফাগৎখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি মচি ফোরেষ্ট দিভিজনগা খুৎশমদুনা ঙরাং জিলা অসিগী মচি হিল রেঞ্জকী লম একর ১০ রোমদা থারম্বা পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

দেঙ্গি (এল)ঃ মণিপুরদা ঙরাং নৌনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা মীওই ৩৪ থেংনরে।

হকশেল বিভাগনা পিবা দেঙ্গি রিপোর্টকী মতুংইন্না রিমস হোস্পিতালদা মীওই ১৯ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৭ পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। জেনিমস হোস্পিতালদা মীওই ৫৯ টেষ্ট তৌবদা মীওই ২৬ পোজিতিভ ওইখি অমদি লনাই হোস্পিতালদা মীওই অমা টেষ্ট তৌবদা মীওই অদু পোজিতিভ ওইবা থেংনখি।

হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিদা মীওই লিশিং ১০,৯৭৫ টেষ্ট তৌবদা দেঙ্গি পোজিভি কেস লিশিং ৫,২৪৩ থেংনখ্রে। মীওই অমা লৈখিদ্রে। লায়না অসিগা মরী লৈননা হকশেল বিভাগনা লৌখৎপা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা মৈখু কাপথোকপা, মীয়ামদা লায়না অসিগী মরমদা খঙহনবা, হিদাক লুপ্লবা কাংখলশিং য়েন্থোকপা অমদি কাঙ চাবা ঙামচাশিং থাদবগী থবক চত্থরি। হৌজিক ফাওবদা রিলিফ কেম্প ১০ য়াওনা ইমুং লিশিং ৩,১১৭ তা মৈখু কাপথোকখ্রে। রিলিফ কেম্পতা হিদাক লুপথোক্লবা কাংখল লিশিং ২,১২১ য়েন্থোকখ্রে অমদি অতৈ মফমশিংদসু কাংখল লিশিং ৪ রোম য়েন্থোকখি হায়রি।

তেজাস ঃ য়ু.এ.ইদা চত্থরিবা দুবাই এয়ার সোদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী তেজাস ফাইটর জেট অমা কায়বদা মদুগী পাইলো ৱিং কম্মান্দর শিরে।

থৌদোক অদু থিজিন্নবগীমক মরী লৈনবশিংনা থবক পায়খৎখ্রে। লৈখিদ্রবা

পাইলোত- ৱিং কম্মান্দর নমান্স স্যাল লৈখিদবদা ইন্দিয়া এয়ার ফোর্সকী মাইকৈদগী অৱাবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

থৌদোক অসি এয়ার সো উৎলিঙৈদা থোকখিবনি। ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী তেজাস অসি সেদ্যুলগী মতুংইনা অহুম্লক শুবা উৎননবগী থৌরাং তৌরম্বনি।

লেবর ঃ  লৈবাক অসিদা লৈরিবা লীরবা লেবর লোশিং লাইথোকহন্নবা অমসুং মওং মরীল নাইহন্নবা অনৌবা লেবর কোদ মরি চৎনরে হায়না সরকারনা লাউথোকখে। লেবর মন্ত্রালয়না হায়- অনৌবা কোদশিং অসিনা হেন্না ফবা খুৎশুমল, অশোই অঙাম থোকহন্দবা, সোসিয়েল সেক্যুরিতি অমসুং লৈবাক অসিগী শিন্মীশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং হেন্না ফগৎহল্লগনি।

ভারত্তা অসিগুম্বা লেবর কোদ চৎনরকপদা ইন্তরনেসনেল লেবর ওর্গনাইজেসন দাইরেক্তর জেনেরেল গিলবার্ট এফ. হোংবোনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা দাইরেক্তর জেনেরেল অসিনা হায়- মসিনা শিন্মীশিংগী খুৎশুমল হেনগৎহনবগা লোয়ননা মখোয়গী পুন্সি মহিংগী ফিভম ফগৎহনবা ঙম্লগনি। মহাকা হায়- খোঙথাং অসি মপুং ফানা পাঙথোকবগীদমক সরকার, কর্ম্মচারি অমসুং শিন্মীশিংগী মরক্তা তোইনা পাউ ফাওনবগী তঙাইফদবা লৈ।

মোদি ঃ  খা অফ্রিকাগী জোহনেসবার্গতা ঙসিদগী পাঙথোক্কদবা ১২ শুবা জি-টোইন্তি লিদরস সম্মিৎতা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি।

নুমিৎ হুমনি চথুগদবা মীফম অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা তোঙান তোঙানবা সেসনশিংদা শরুক য়াদুনা ভারতনা লৌরিবা মপুং ওইবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংগনি। শ্রী মোদিনা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট, প্লানেট এক্সন, ইনর্জি ত্রানজিসন, গ্লোবেল গভরনান্স য়াওনা অতৈ হিরম কয়াদসু ৱা ঙাংগনি।

জি-টোইন্তি মীফম য়াওবা চৎপদা প্রধান মন্ত্রিনা ভারত-ব্রাজিল অমসুং সাউথ আফ্রিকাগী লুচিংবশিংগী মীফমদসু শরুক য়াগনি। শ্রী মোদিনা মালেমগী অতৈ লুচিংবা কয়াগসু উন্নগনি। অকাশবানিগী পাউমীনা হায়-জি টোইন্তি মীফম গ্লোবেল সাউথতা পাঙথোকপা অসি থংন-থংননা মরিরক শুরে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শঙাই ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী পাউ অমদি শঙাই ফেষ্টিভেলগী মায়োক্তা চংশিনখিবা মীয়ামগী খোঙজংগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

গভর্নরনা মীয়ামা অকনবা খোঙজং চংশিন্দুনা অথিংবা থল্লিবা ১২ শুবা মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অসি পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরে। পাউচে অসিদা মণিপুরদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি আই.দি.পিশিংবু হান্না খুন্দা লৈতাহনবনি হায়বা এম.এল.এ জয়কিসনগী ৱাফম অমসু এনকর কলমদা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা গভর্নর এ.কে. ভল্লানা শঙাই ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে, চুরাচান্দপুরদা হঞ্জিন্নবা হৌরকপা ইরাংদা অশোক অপন য়াওখ্রে, খুরাইদদি মীয়ামা পুলিস পার্সোনেল অনি ফাজিল্লুরে হায়না ফোটোগা কোন্ননা বেন্নর হেদলাইন তৌরে। পাউচে অসিদা আর.এস.এসনা কনাগীসু মায়োক্তা লৈতে হায়বা পাউ অমসুং অহানবা লমায়দা ফোংলি।

বোইকোটকী খোঙজংনা ষ্টোলশিং খুন্তাক লানশিরবসু গর্ভনরনা শঙাই ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউগী বেন্নর হেদলাইন ওইরি।

পাউ অসিদা সব-হেদলাইন ওইনা খুরাইদা খোঙজংলোই অমস্ং সেক্যুরিতিগগী মরক্তা তিয়ার গ্যাস অমসুং নুঙগী নোং চুখ্রে, হপ্তা কাংজৈবুংদা অপুনবা ষ্টোল ৫২৬ রোমগী মনুংদা লনাই মীওইশিংগীদি ১০০ ফানা হাংখিদ্রে,

ফৌগাকচাউনা ময়ুমদা হঞ্জিনজরগে থোরকপা আই.দি.পিশিং সেক্যুরিতিনা লাকশিনবদা মরি শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে হায়না পীরি।

সনালৈবাক্তা- খুন্তাক লানশিরবা শঙাই ফেষ্টিভেল গর্ভনরনা হৌদোকখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি, এম.এল.এ অনিখক নত্তনা অতৈদি শরুক য়াখিদে, আই.দি.পিশিংনা মশাগী ময়ুম মরমদম চুরাচান্দপুরদা হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা ইরাং থোকখ্রে হায়না সব-হেদলাইন অমসু পীরি।

পাউচে অসিদা ফুরুপ মশেলগী ইরাংগী মীং শিজিন্নদুনা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংগী ইসু নাথৈবা য়ারোই হায়বা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেন সিংহগী ৱাফম অমসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

জোমি গ্রুপশিং, য়ুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্টকী শরুক অমা ওইদে হায়বা পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা আই.জি.পিগী মথক্তা দিসিপ্লিনারি এক্সন লৌননবা মহারাজা বোধাচন্দ্র কলেজ এলুমনাই এসোসিয়েসন্না দাবী তৌরি হায়বা পাউ অসি অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- ইম্মান্যুএল থিওলোজিকেল সেমিনারি তমেংলোংনা শিন্দুনা সিভলর জ্বিলি থৌরম চহি অসিগী দিসেম্বর ৪-৫ দা পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরে।

সেনাপতি জিলাগী মকুই লোংদি ভিলেজদা পাঙথোকপা মকুই লোংদি ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা তমেংলোং তাইমসকী অহানবা লমায়দা ফোংলে।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- এম.পিগী ওফিসনা থাংগৎখিবা ৱাকৎ অদু অন্সম, টি.কে.এস অমদি অতৈ ত্রাইবেল বোদিশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোকপগী ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------